থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কলাকার অমবু মশক খঙবা



কলা হায়বসিসু অঙকপশিংগী মনুংদা অমনি। কলা হায়বসিগী চপ চাবা মশক তাক্লবা মীওইবগী ৱাহে লৈতে। কলাগী মখলসু মসিনা মরোইরে হায়বা অমা লৈতে। ঈশৈ শকপা, ঈশৈ ইবা, শৈরেং ইবা, ৱারী ইবা, ৱারেং ইবা, মুর্ত্তি (মিতম) শাবা, লাই য়েকপা, জগোয় শাবা, পুং য়ৈবা, যন্ত্র খোংবা ... তোঙান তোঙানবা কলা অমমমনি। কনাগুম্বা অমবু কলাকার অমা ওইহন্নীংই হায়দুনা হেক্তা ফাদুনা ওইহনবা য়ারোই। কবি চঙবা হায়বসি 'লাই তোংলবা-মাইবীগুম্বনি' হায়না ঐখোয়গী কবি খ্বাইরাকপম চাউবনা হায়রম্মীদনা! লাই তোংলবা মাইবী'না হায়খিবা ৱাহে, ফাওখিবা লাইফাও মাইবী মশাদি খঙজদে হায়। মচিন্দা লাই তোংদুনা মাবু হায়হনবনি, লাইগী অশেংবা মপাউনি খনবদুনবু মাইবী হায়বা ইন্সটিট্যুসন অসি হিংদুনা লৈরিবনি। চাউবগী ৱাহায় (মান্নবা অতৈ ৱাহায় লৈরিবশিং) অসিনা চুম্বা তারবা অফাওবা কবি নৎত্রগা অইবা কয়ানা ইরল্লিবা শৈরেং-ৱারেংশিং অসি কবি মশাগী নত্তে, অতোপ্পা শকউদবা ইথিল অমনা ইনশিল্লগা অইবদুবু ইহনবনি হায়বা তাবরা? বাসি খোংবা অমনা খোংলিবা নীংথিরবা শুর অদুনা কবিগী ৱাহে ওইরগা কবি মশাদুদি থৱায় পান্দবা বাসিদু ওইবা তাবনি, খোংলিবদুদি শকউদবা কনাগুম্বা অমনি। অদু ওইরবদি টেক্নিক, ষ্টাইল, লেংগ্বেজ নৈনদ্রবসু য়াদ্রিবরা? অফবা ড্রামাটিক লিটরেচর অমা ওইহন্নবা চঙলিবা মচাক (ড্রামাটিক এলিমেন্টস) খঙলুবগী করি কান্নবা? অসিনচিংবা ৱাহং কয়া থোক্লকই। অদুননি কলা নৈনবা কাঙবুনা হায়রক্লিবা - কলা হায়বসি মখল অনীখক্তনি - পুমনৌ নৌনা শেম্বা কলা অমদি হান্ননা শেল্লবা কলা অমবু মশক তাকপা কলা। য়ানীংবা খরা, য়ানীংদবা খরা! কলাকারশিংসিসু মীনিদনা। মীনা মীবু মীথানবা, মীগী ৱাবু ইকায়খুম্নবা মী কনা লৈবগে! অদুনা হায়রকই কনাগুম্বনা...ঈশ্বরদগী হেন্না চাউবা কলাকার অমা লৈতে, খ্বাইদৈ হৈবা কলাকারদুগী মমিংনি 'ঈশ্বর'। অদুগা অতোপ্পা কলাকার খরগীদমক্তি ঈশ্বরগী 'শক্তম-মিতম-অয়েকপা লাই' পুম্নমক য়োন্নবা অয়োন-পোৎ ঙাক্তনি।

থম্মোয়সিগী পাউদম ওইনা তমগে খন্না কাঙথোকচরুবা ৱাফম খরসি কলাগী মশক তাক্লনবা নৎত্রগা নৈননবা হোৎনজরুবা নত্তে। অফবা কলাকার অমগী কলাগী খূৎশেম অমা ফজে হায়বদি খঙই ঐ। কলা অদুদি খঙদে করম' শক্তাক্কনি। কনানা হায়রম্বনো খঙদবা ৱাহায় অমা লৈ... 'কলাকার হায়বসি মহাক মশাতগী অমদি মশাগী অপাম্বদুতগী খনবা অতোপ্পগী খন'ঙমদবা মীশক অমনি...'। য়েৎননীংঙাই ওইবা ৱাহায়সিগা ইরোইননা ৱারী অমা নীংশিংলকই। ৱারী অদু মীয়ামদা লীথোকচনীংদুনা তাঞ্জা অসি লৌজবনি।

অফাওবা মিতম-শাবা (স্কল্পচর) কলাকার অমা লৈরম্মী। মহাক্না শাবা মিতমশিং, থৱায় পানবা পান্দবা, মী-শা-উচেক, উপাল-ৱাপাল, হৈরাং-লৈরাং -অসুক্কী মতিক মরীক চুম্মী, অৱাৎপা লৈতে মদুদি 'অশেংবনা করম্বনো অশাবনা করম্বনো' অউবা-অয়েংবা কনানা কৈদৌঙৈ খন্দোক'ঙমদে। মরু ওইনা মীগী মিতম শাবদা মাগী হৈথোই শিংথোইবা হেন্না থোইদোক হেন্দোকই। অহিংবদুগা লেপমিন্নবদা অশাবদু খন্দোকপা অৱাবা অমা ওইরম্মী।

মিতম শাবা কলাকার থেংনরুরে নোংমদি তুংলমচৎ হায়বা ঙম্বা ৱাচুমশুবা তম্বা অমা। পুন্সি চেংজেল লোইগদবা নুমিৎ কক্লে, তাইবঙ কুমহৈ শাংনা য়াওবা ঙম্লরোই ... ৱাচুমশুবা তম্বগী ৱাহৈদুদা পাখৎখরে কলাকার, শিবই নুমিৎ নকশিল্লক্লে তাবদা অকিবনা থুমহৎখ্রে। নোংমা শোয়দনা শিরনি খঙলবসু মীওইবা অশিববু মোমোন নোক্লা থাগোন্নবা মীওইবা কনা লৈবগে? অশিবা-লাইগী মীহুত্তুনা মাবু লৌবা লাকপদা করি-করম্বা পাম্বৈনা লৈথহৌবা য়াগনি? তৃম্বা-চাবা খঙদনা ৱাখলদুদা লুপখরে। পূক্লিং হীরি কোনবদা ফংলে পাম্বৈ অমা অশিবৈ মীহুত্তুবু মকোক ঙাওহন্নবা।

মশামক্কী শক্তমগা করিমত্তা খেন্নদবা, মিতম তরামাথোইখক পূক্লিং চঙনা শারে মিতম-শাবা-কলাকার। মশামকসু ঙকখরে, তরামথোই অদুগা তরানিথোই শুবা মহাক্কা খেন্নরিবা কৈদনো খন্দোকফম্বু খঙদরে। অশিবৈ মীহুৎ অদুনা থোঙজিন্দুদা থুংলবদা মিতম তরামাথোইদুগী মরক্তা নিংশা শ্বর থিংদুনা লেপশিনখরে কলাকার। মীহুৎ অদু ঙকখরে... মশীং থিঙমদ্রবা মীওইবা, মবুংঙোনা শাখিবা, মান্নবা অমত্তা য়াওহন্দবা থোইদোক হেন্দোকপা মবুংঙোনি চাউথোকচবনি মহাক্লা, ফাইবোক ওইনা পোকপফাও খেন্নবা অমদি থম্বনি ... করিগীনো মহাক্লা চপ মান্নবা তরানিথোই শেল্লিবা, পুদৌরিবা মহাক্তুনা করম্বা?

খনফম খঙদা হল্লক্লে অশি' নিংথৌ মনাক্তা, ৱারম পূম্বা হঙ্গৎলে, করম্বা মাগী অশোয়বনো মান্নবা তরানিথোই শারুবা, ৱাকৎলুরে মবুংঙোদা। চিনবান মোমোন্নদুনা মাবু মনাক্তা কৌশিল্লগা চীরোন তৌখি নাকোংদা। অমুক হন্না চৎনবা থৌদারকখি মনাইদা। মথম্মোয়নদি য়ানীংদা, মপুই য়াথং ইন্দুনা তন্না অমুক হল্লক্লে, লাইগুল্লবা কলাকারদুগী কাদুদা।

শকমান্নবা মিতম তরানিথোইমক কৃপ্না য়েংলে ৱা ঙাঙদনা। কোয়না কোয়না চত্তুনা অমুক য়েংই লাপতক্লা। ৱাখল খল্লি ফুম্বংননা। কনাদসু অপান্নবা হায়দনা মথন্তা শোনজবগুম শোঞ্জেল থোক্লা হায়রকই ... 'অসুক নীংথিজনা শাখ্রবা মিতমসি অৱাৎপা অমদি লৈরেদো! অৱাৎপসি লৈরমদ্রবা, লাইমক ওইরমগদবনি মিতম-শাবা-কলাকার'!

অশাবা মিতম মরক্তা শকলোৎলিবা কলাকার, মশামক লোৎলি কাউখরে, চোংথোক্তুনা হায়রকই, 'অৱাৎপদু কৈদনো? তাকপীরম্মু শেমদোকচগে।'

অশিবৈ দুত নোকথোরক্লে, হায়রকই 'অৱাৎপদুদি কৈসু নত্তে, নঙ নশানা নশাবু কাউথোকচবা ঙমদবা অদুনি, মশানা মশাবু কাউথোকপা ঙমদবা কলাকার, অশেংবা নত্তে, তৌশিন্নবনি। কান্নদে বোনধু, ঐগী ইতুং ইল্লকউ।'

অসুম্না লাইরৈপাক য়ৌখি কলাকার।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# এয়র পোল্ল্যুসনন ঐখোয়গী হকশেলদা মতৌ করম্না শোকহনবগে-১



এয়র পোল্ল্যুসননা তোঙান তোঙানবা মখলগী হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মীওই অমগী হকশেলদা এয়র পোল্ল্যুসনগী ইফেক্টশিং অসি নীংশা হোনবা খজিক্তং নুংঙাইতবদগী হৌরগা হার্ট দিজিজ অমদি ষ্ট্রোক য়াওনা য়াম্না শাথিবা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ ফাওবা য়াওই।

নুংশিৎতা য়াওবা হূ চেনবা গ্যেসশিং অমদি পার্টিকলশিং অসি গাড়ীশিংদগী কামথোরকপা মৈখুশিং, কোইলা মৈ থাবদগী থোক্লকপা মৈখু অমদি হীদাক মনাগী মৈখু য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপনি।

গাড়ী কুঙনা চেনবা মফমদা য়ারিমখৈ চত্তবগুম্বা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা পোল্ল্যুসন্না হকশেলদা চৈথেং পীবগী চাং হন্থহনবদি য়াগনি। অদুবু অশেংবা অহোংবদি মালেমগী থাক্তা নুংশিৎকী ক্বালিটি ফগৎহল্লবতদা পুরকপা ঙমগনি।

এয়র পোল্ল্যুসননা ঐখোয়গী হকশেলদা করম্না চৈথেং পীবগে হায়বগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

**এয়র পোল্ল্যুসন হায়বসি করিনো:** নুংশিৎতা অকুপ্পা পার্টিকলশিং য়াওবনা এয়র পোল্ল্যুসন ওইহল্লকই, পার্টিকলশিং অসি মহৌশাগী ওইবা য়াই নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইবা য়াই। এয়র পোল্ল্যুসন থোকহল্লিবা পোল্ল্যুটেন্ট মখল ময়াম লৈবা অসিনা তাকপদি মসিনা য়ূম নৎত্রগা ওফিস মনুংদা লৈবা মীওইশিংবুসু মপান্দা লৈবা মীওইশিংবুসু শোকহল্লি হায়বনি।

আউটদোর এয়র পোল্ল্যুসন থোকহনবা মচাকশিংদি- কোইলা নৎত্রগা গেস মৈ চাকপদগী থোক্লকপা পার্টিকলশিং, নাইট্রোজেন ওক্সাইদ নৎত্রগা সল্ফর দাইওক্সাইদকুম্বা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা গেসশিং, হীদাক মনাগী মৈখু, গ্রাউন্দ-লেবেল ওজোন অসিনচিংবশিংনি।

অদুগা ইন্দোর এয়র পোল্লুসন থোকহনবা মচাকশিংনা- হাউসহোল্ড কেমিকেলশিং, কার্বো মোনোওক্সাইদ নৎত্রগা রাদোনগুম্বা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইরবা গেসশিং, লিদ নৎত্রগা অজবেষ্টসকুম্বা বিল্ডিং মেটরিএলশিং, পোল্লেন, শুজা, হীদাক মনাগী মৈখু অসিনচিংবনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মীওইবগী হকশেলদা খ্বাইদগী অমাঙ-অতা থোকহনবা পোল্ল্যুটেন্টশিংদি: পার্টিক্যুলেট মেট্টর, নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ, সল্ফর দাইওক্সাইদ, ওজোন অসিনচিংবশিংনি।

**শোর্ট-টর্ম এক্সপোজর:** পোল্ল্যুটেন্ট অয়াম্বনা মীওইবগী হকচাংদা চঙবা মতমদা নাতোন (নুংশিৎকী লম্বী) ফাওরগা লাকপা মরম্না গ্রাউন্দ লেবেল ওজোনগুম্বা এয়র পোল্লুটেন্টশিংদা ঙাইহাক্তং ওইরসু এক্সপোজ তৌবনা রেস্পিরেটরি সিষ্টমদা শোকহনবা ঙম্মী।

শোর্ট-টর্ম এক্সপোজরনা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন থোকহনবগা লোয়ননা লংগী মথৌ হন্থহল্লি। অজমা নাবা মীওইশিংদদি লায়না অদু হেঞ্জিলহনবসু য়াই।

সল্ফর দাইওক্সাইদতা এক্সপোজ তৌবনা মীৎ অমদি রেস্পিরেটরি ট্রেক্টপু অমাঙ অতা থোকহনবগা লোয়ননা উনশাদা ইরিটেসন থোকহল্লি।

**লোং-টর্ম এক্সপোজর:** এয়র পোল্ল্যুসননা তুং কোইবা হকশেলগী খুদোংচাদবা করি করি থোকহনবা ঙম্বগে হায়বগী মতাংদা রিসার্চ কয়া চথরি। অঙাং পোকপগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং, মনুং মতম চাদনা শিবনচিংবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়ামরুমগা এয়র পোল্লুসনগা মরী লৈনৈ হায়না রিসার্চশিংনা হায়রি।

**লোং টর্ম এক্সপোজরনা থোকহনবা খুদোংচাদবশিং মখাদা পীরি:**

ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিব পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি): পাটিকল পোল্ল্যুটেন্টশিংদা এক্সপোজ তৌবনা সী ও পি দি নাহনবা য়াই। দল্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না সী ও পি দিগী চাদা ৪৩ দি এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহল্লি অমদি মী শিহল্লি হায়রি।

সী ও পি দি হায়বসি এম্ফিসিমা অমদি ক্রোনিক ব্রোনকাইটিসকুম্বা নীংশা হোনবা ৱাবগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগী কাঙলুপ অমনি। লায়নাশিং অসিনা নারিবা মীওই অদুগী নুংশিৎকী লম্বী থিংজিন্দুনা নীংশা হোনবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

সী ও পি দিগী ফহনবা ঙম্বা লায়েং লৈদ্রি, অদুবু ট্রিটমেন্ট চথুদুনা সিম্পটোমশিং হন্থহনবদি য়াই।

**লং কেন্সর:** দল্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না লং কেন্সরগী কেস অমদি শিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ২৯ দি এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহনবনি হায়রি।

**কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ:** রিসার্চনা উৎলি মদুদি, এয়র পোল্ল্যুসনগী চাং ৱাংবা মফমদা লৈবনা ষ্ট্রোক তৌদুনা শিবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। এয়র পোল্ল্যুসননা ষ্ট্রোক অমদি হার্ট এটেকপু ট্রিগর তৌবা য়াই।

কুমজা ২০১৮ দা চথখিবা রিভিয়ু অমগী মতুংইন্না গ্লোবেল বর্দন ওফ দিজিজ ষ্টদিনা কুমজা ২০১৫ দা থোকখিবা কার্দিওভাস্কুলরগা মরী লৈননা শিবা মীশিংগী চাদা ১৯ দি এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহনবনি হায়না পারি। অদুগা ষ্ট্রোক তৌরগা শিখিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ২১ অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারগা শিখিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ২৪ সু এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহনখি হায়রি।

**অঙাং থা শুদনা পোকপা:** ইন্টর্নেসনল জর্নেল ওফ ইনভাইরনমেন্টল রিসার্চ এন্দ পব্লিক হেল্থতা য়াওখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না অমোৎপা নুংশিৎতা এক্সপোজ তৌবনা মীরোনবী নুপীশিং থা শুদ্রিঙৈদা অঙাং পোকপা য়াবগী চাং ৱাংখৎহল্লি হায়রি।

# অশাবা লমগী পট্টা শীজিন্নদুনা নমথাক তৌরম্লবসু কনখৎতুনা থম্লে : কে এস এ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস): অশাবা লমগী পট্টা শীজিন্নদুনা লৈঙাকপু নমথাক তৌরল্লবসু চৈরাক পীবগী মহুৎতা লৈঙাক অসিনা কনখৎতুনা থম্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী সেক্রেটরি জেনরেল এস হেমজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চীং-তম ফাউন্দেসন ফোর ইনোভেটিভ এদ্যুকেসন, য়াইরিপোক্লা লমগী অশাবা পট্টা শীজিন্নদুনা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী মখাদা স্কুল রেকগনিসন লৌরমখি। লৈঙাক্তগী এন ও সী লৌরম্বগীদমক স্কুল অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা লূপ অসিনা কুমজা ২০১৮দগী হৌনা তকশিন্দুনা লাকখি। এদ্যুকেসন কম্মিস্নার, কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনবা লৈখ্রে। স্কুল অদুনা য়াম্না চাউনা চৈরাক ফংনিংঙাই ওইবা মওংদা নমথাক তৌরম্বা অদু খঙহল্লবা ফাওবা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা তুমীন্না লৈশিল্লিবা অসিনা ঙসিগী লৈঙাক অসি মখোয়গী নক্লবা মীশিংগী থবক্তা চেন্নরবসু কনখৎতুনা থম্লব্রা হায়না চিংনবা ফাওহল্লে। স্কুল অসিনা শীজিন্নরম্বা অশাবা পট্টা অদু শাশিন্নবনি হায়বসি খঙলদুনা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা কুমজা ২০১৯গী জুন ১৭তা থৌবালগী দি সীদা চে অমা থাদুনা স্কুল অদুনা শীজিন্নরম্বা পট্টা অশেংব্রা, শেংদব্রা হায়না কনফার্ম তৌনবা হোৎনখি।

মদুগী পাউখুম কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৬তা ফংখি। দি সীদগী থারকপা রেকোর্দশিং অদুগী মতুংইন্নসু স্কুল অদুনা শীজিন্নরম্বা পট্টা অদু স্কুলগী মমিংদা লৈরমদবদা নত্তনা পট্টা নম্বর অদুদি মীওই অমগী বোর্দিং তৌফম অমা ওইরমখি। অসুম্না চীং-তম ফাউন্দেসন ফোর ইনোভেটিভ এদ্যুকেসন য়াইরিপোক্লা অশাবা পট্টা শীজিন্নদুনা রেকগনিসন লৌরম্বা অসিনা মরম ওইরগা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা শেম্বা স্কুল রেকগনিসনগী রুলগী পোইন্টদা স্কুল অসিনা ভাইওলেট তৌবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীথোকখিবা এন ও সী অদুগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদুনা মথৌ তাবা থবক তৌনবা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন (এস)কী কম্মিস্নার টি রঞ্জিৎতা হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ২০দা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখি। ঙসি ফাওবা চে অদু প্রোসেস তৌবগী মিংদা হৌজিক ফাওবা ফাজিন্দুনা থল্লি। লৈঙাক অসিনা ফাইল খূদিংমক য়াম্না থুনা থাদোক্তুনা লৈঙাক অসি ট্রান্সপরেন্সি ওইনা থবক তৌই হায়বা উৎকনি হায়না লাউথোকখ্রগা এদ্যুকেসন (এস)কী কম্মিস্নারনদি কুমজা ২০১৯গী ওগষ্টতা থাখিবা চে অমবু ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লি।

কুমজা ২০১৮দগী হৌনা থোক্লকখিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা খঙহল্লবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তে। মরী লৈনবা ফাইল ফাজিন্দুনা থম্বা অমদি কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনসু মখোয়না শেম্বা স্কুল রেকগনিসনগী রুলগী পোইন্ট মতুংইন্না স্কুল অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা য়ারবসু ঙসি ফাওবা লৌখৎতনা লৈরিবসি করিগীনো। কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী রেকগনিসন রুলগী মতুংইন্না স্কুল অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপগী মথক্তা কাউন্সীলনসু এদ্যুকেসন (এস)তা অমুক বোল কাওশিন্দুনা লৈথোক-লৈশিন তৌদুনা লৈরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5915/27/12-01/20jan

# মীয়ামদা শেংদোকপীরকউ : নন্দরানি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস): সঙাইপ্রৌ এফ সী আই গোদাউন মনাক্তা লৈবা তেরা য়েংখোম লৈরক্তগী খাঙেম্বম রাকেশ কৌবা মীওই অসিনা ফম্বা গ্রোসরি দুকান মমাঙদা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা থম্লল্লিবা অসি কনানো থম্লম্বনো শেংদোকপীরকউ হায়না তেরা লুক্রাম লৈরক পার্ট থ্রীগী মীওই কয়া য়াওনা পাউমীশিংগা উনবদা খুন্দ্রাকপম ওংবী নন্দরানিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা নন্দরানিনা হায়খি, রাকেশকী দুকান্দা দিমান্দ তৌরকখিবসু লৈতে। ইমুং-মনুংদসু মী লৈতবা য়াওবগী শোরাৎ থোক্লিবনি। বোম অসি থম্লম্বা য়ানিংদে। কনানা থম্লল্লিবনো হায়বদু শেংদোকপীরকউ। পোকখায়রল্লবদি মীওই কয়া অশোক-অপন নংগদৌরিবনি। শোক্লবদি কনানা থৌদাং পুগনি। মতুংদা অসিগুম্বা তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ঙালহল্লসি ইমা লৈবাক থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস): নোদর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাসজেসন্না চহী ৩ চুপ্লা পাঙথোক্কদবা ঙালহল্লসি ইমা লৈবাক হায়না মিংথোনবা থৌরমগী হৌদোকপা থৌরম থা অসিগী ১২ দা লোইতাং সন্দুম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জোন্সননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এস ৱাস পি ও এল, এল কে ৱাই সী, এল এ এম দি এ অমদি এল ৱাই দি ও ক্লবকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা অমুকোগী সেক্রেটরি জেনরেল লাইশ্রম থোই থোই, এন য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট ঐচ নিংথেম, এদভাইজর ইবোতোম্বী অমদি ৱার্দ মেম্বর রঞ্জিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

HL-P/5909/11-17jan.

ADMISSION OPEN
ꯂꯨꯂꯥꯕꯤ
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Last date of form submission : 10th January, 2020.
- Session starting from 16th January, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.
6009103078

TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
TEMPLE OF LEARNING
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০১।২০২০ ইং, শগোলশেল, অয়ুক পুং ৯.৪২ ফাওবা ৱাকচীংগী ২১ নি পাল্লি, মতুং ২২ নি পানগনি।

**মেষ :** হরাওবা, নচা ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। মরুপ অমদি লন ফংগনি। মচিন থৌবনদি তাথি অদুনা ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** খোইরাংবনা লন মাঙবা য়াবা অমদি ৱাঙাঙ হৈতবনা নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎপা লৈগনি। তপথবনা শাউনবদগী কনগনি, মীয়াম্না য়ানবা চৎপনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** অরুবা থবক লৌশিংনা পাঙ্গল ওইদুনা পাংগনি। ইমুং-মনুং ৱা তানবনা হেন্না চাওখৎপা ওইগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই অমদি খাংবা কন্দ্রদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরম্বা কোক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবতা নত্তনা অনীংবা পূম্বা পাংবা ঙমজগনি। পল্লম্বা শেল ফংলনি অমদি নুংশিরমদবা মরুপকা নুংশিনরনি। নাপল তৌরদি লন ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নুংঙাইরমদবা হকচাং নুংঙাইরনি, মীকোক থোংবা য়াবা তঞ্জা লাক্লনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈরনি। হোয়াদি ফরুনু অমদি মরুপকা মুক্লগনু-মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি নক্লবনা চানবীবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা অফবা লৈফম কঞ্জবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনগনু শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** মরুপ-মপাংনা হান্নগুম চানগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংদুনা নুংঙাইজবা লৈগনি। অদুবু লল্লোন ইতিক কান্নবা ৱাৎকনি অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌবা খজিক লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীকোক থোংবা য়াবা, লৈঙক্কী লম্দা মায় পাকপা অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা লৈরগনি। অদুবু হন্থবা মী লোয়নরদি মাঙবা য়াম্না থোক্কনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** ওইজ-ওইথক তানবদি কান্নগনি অমদি অনীংবা অফবা থবকসু পাংবা ঙমজগনি। অদুবু পোরম য়াৎপা হৈত্রদি নরল কাইগনি, হন্থবা লোয়নরবা কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** য়েক্লবনা চোপহনবা য়াবা লৈ-ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। খুৎচাউ থাগনু অমদি পংশিন্নরগা খুদোংচাবা য়েংনা চৎপা কান্নগনি। থেংলপ্পা কান্নবা খরদি শোইদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**কুম্বা :** লৌশিং তানশিনবগী লম্দা চাউনা মায় পাক্কনি, ৱাখল তানিন্নরমদবসু তাথোকপা য়াগনি। মরুপ-মপাংনা য়াম্না চানগনি। অদুবু ইচং থৌগনু অফা অপুন্নবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি, অনৌ-অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমগনি। নচা-ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জগনি, লন চংই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।